ꯂꯥꯏ ꯈꯨꯔꯝꯕ

# লাই খুরম্বা

শান্ত খুমন



# ꯂꯥꯏ ꯈꯨꯔꯝꯕꯥ
# লাই খুরম্বা

ꯁꯥꯟꯇ ꯈꯨꯃꯟ
শান্ত খুমন

মণিপুরী শৈরেংবু
য়োকখৎপিরিবশিংগী
মফমদা

# ꯂꯥꯏ ꯈꯨꯔꯝꯕ
ꯁꯥꯟꯇꯥ ꯈꯨꯃꯟ

অহান্বা ফোঙবা
শজিবু চৈরাওবা মলিয়াকুম- ৩৪১৩
২১ মার্চ-২০১৫

মখুম : অশোক কর্মকার

ফোঙবা : বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদ
কমলগঞ্জ, মশাফুরুপ, আদমপুরবাজার, মৌলভীবাজার-৩২২০

ময়েক ফুদোকপা : হামোম প্রবিত
ময়েক নমথোকপা : এশিয়া প্রিন্টার্স, ১৯২ ফকিরাপুল
মতিঝিল, ঢাকা-১০০০

হক্ : থোইবী দেবী

মমল : ১৮০

আইএসবিএন : ৯৭৮-৯৮৪-৩৩-৮২৮৮-৭

---

**LAI KHURAMBA**
A collecton of Manipuri poems by Shanta Khuman
Publish by Bangladesh Manipuri Sahitya Sangsad
Kamalganj Branch
Moulvibazar-3222, Bangladesh
Cover Design : Ashok Karmaker
First Published : Sajibu Cheirauba Maliakum-3412
Price : Tk 180.00
ISBN-978-984-33-8288-7

# অফোঙবগী ওয়ারোল

শান্ত খুমন কবি, সাহিত্যকার অমসুং প্রবন্ধকারনি। মহাক বাংলাদেশকী মণিপুরী সাহিত্যদা সাহিত্য হায়বদু খুদোম্বি থিন্দুনা তাকপিবা ঙম্বা অদুঙৈ বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদকী ফাউন্ডার মেম্বরনি। মতম কুইনা ইবা থাদোক্লুরবা মতুংদা হৌজিক হৌজিক্তা মণিপুরী সাহিত্য অসি মালেম থুংনা লৈনম শন্দোকহনসি খন্বিরিবা মহাক্কি থৌদোক কয়া হন্দক্তা উবা ফংঙি। খুদম ওইনা ০৬ মার্চ ২০১৪ইংদা মহাক্কি 'ইতিহাসকি শুক্লুবা কাচিন্দা ভানুবিল' কৌবা য়াম্না মমল লৈরবা ঐতিহাসিক ওইরবা লাইরিক অমা অহান্বা ওইনা ফোঙখ্রে। ১৯৭৫দগী ২০১৪ইংগী মনুংদা মহাক্না ইখিবা শৈরেং ময়াম খোমজিন্দুনা খন্দোক-খঞ্জিন তৌরগা লাইরিক অমা ওইনা পাবিরিবা ময়ামদা পুথোকচবা ঙম্লিবসে মহাক্কি মঙ ফাউনরবগুম ঐখোয়গীসু য়াম্না নুঙায়রবা থৌদোক অমনি। লাইরিক অসি ফোঙবদা কদায়দা করি সোয়খিনি খন্বদা সোয়দনবগী হোৎন-হোৎননা অসোয়-অরান য়াউরম্বা য়াই। ঙাকপিগনি খল্লি।

সনাতন হামোম
সেক্রেটারি জেনারেল

## অইবগী ওয়ারোল

কবি ওইজনিংলম্মি অদুবু ওইবা ঙমখিদে। অরাইবা থৌ নৎলমদ্রে। বাংলাদেশ ওইরকপদগী অমা-অনিতৌনা শৈরেং ইবা হৌখি। লাইরিক অমা মপুং ফাবা ঙমখিদে। হিংননবা পুন্সি লানফম মায়োক্লরুবনা মতম কুইনা পোথারুরবা মতুংদা অমুক হোৎনদুনা লাইরিক অমা ওইরদ্রা হায়দুনা 'লাই খুরম্বা' হায়না মীংথোল্লগা শৈরেং লাইরিক ওইনা পুখোকচবনি।
শৈরেংশিংসিদা কনাদসু শিংথাদুনা ইজবা নত্তে। ওয়াখলগী ইফুৎতা ফাউরকপা ওয়াহৈ খরা পুনশিনজবনি। লাইরিক'সিদা য়াওরিবা অয়াম্বা শৈরেংশিং-দ্বীপানিতা, মৈরা, মতম, থরো থম্বাল থারিক থ্রা, লৈরাং নাচোম অমসুং ত্রিপুরাগী মরূপ, চুমথাং লোয়ননা উত্তরমেঘ কৌবা ম্যাগাজিনশিংদা ফোঙখ্রবা ঙাক্তনি। ফোঙদবসু য়াওরি।

লাইরিক অসি ওইনবা হোৎনবিরকপা কম্পিউটার কম্পোজনচিংবা খুদিংমক হামোম প্রবিতকী মফমদা শিংঙমদ্রবা লম্মন তোনশিনজরে। লোয়ননা প্রেসকী মরুপ-মপাং মখোয়না ঐখোয়গী লোন খংদ্রবা অদুগা অখংবা শারদুনা নম্ফুদা লাইরিক অমা ওইনা পুথোকপিরকপগীদমক থাগৎচরি।

## য়াওফম তাকপা


নিংশিংলকই মাগী মায়থোং ৯
নঙদি চিত্রপোটনি ১০
পথযাত্রী ১২
চৎনবিনা মাঙহনলে ১৩
লায়রবী ১৫
ইকায়জৈ ১৭
শান্তি ১৮
ওয়াখল ১৯
অনৌবা কুম ২০
হৌজিক্কি ওয়াখল ২১
মীনুংশি ২৩
ঐসু মীনি ২৪
আশা ২৫
শিবা ঙায়বা ২৬
শাগৈগী শৈরেং- য়েন্বা ২৭
শাগৈগী শৈরেং- হা ২৮
হুই ২৯
লাই কৎপা ৩০
চৎনবী ৩১
খেন্নবা ৩২
লাই খুরম্বা ৩৩
মীৎতাংবা ৩৪
নীঙবা কায়রবী ৩৫
কাওজদেনে নুংশিবী ৩৬
লায়রবা ৩৮
নিংতম্বা ৩৯
শাগৈগী শৈরেং-থেঙ্গু ৪০
লাইরবগী য়ুম ৪১
হৌজিক্কি শক্তম ৪২
সাহিত্য লৈরাং ৪৪
ফজবা ৪৫
লাইফমগী ঐজ্ঞা'দুগা ৪৮
উজাও লাইরেম্বী ৫২
ঙারি চাবা ৫৩
জুয়ারী কথা ৫৪
থওয়ানমীচাক ৫৫
১২ ডিসেম্বর নুপীলাল ৫৮
চৎনবিগী ঈরৈদা ৫৯
পাউজেল ৬০
লাই নিংবা ৬১
চংবা য়ারোই ৬২
অশেং অমাং ৬৩
পাওতাক ৬৪

অইবগী ফোঙখ্রবা লাইরিক

- ইতিহাসকী শুক্লবা কাচিন্দা ভানুবিল (ওয়ারেং)

সম্পাদনা

- দ্বীপানিতা
- মতম
- থরো-থম্বাল-থারিক-থ্রা
- ইপোম
- লৈরাং নাচোম

CamScanner

# নিংশিংলকই মাগী মায়থোং

ওয়ানা কোয়রুদুনা হজিল্লক্লগা মাঙ্গোন মচিদা
চৌকিদা ফমদুনা পোখারিঙৈ মতমদা
নিংশিংলকই মাগী মায়থোং।
লমতা থাগী শারবা নুংশারক্তা
শুমাংদা চেক্লাশিংনা চোকথনা চাক্তাবদো উবদা
নিংশিংলকই মাগী মায়থোং।
য়াওশংগী থাবল চোংবদা নিঙোল ময়াম্না
খুজেংগা খুজেংগা পায়নদুনা চোংবদু উরগা
নিংশিংলকই মাগী মায়থোং।
অশাবা নুংশিৎনা থোঙগী পর্দা হাইদোকপদা
ওইদা ইম্বোক্লগা ইকায়না ফিরূপ খুম্না মানা থোরকপদো
নিংশিংলকই মাগী মায়থোং।
অওয়াংগী ফৌশুকোলগী মখোল তাবদা
কোকতা ফৌবোৎ থোংদুনা প্রপ প্রপ চৎপদো
নিংশিংলকই মাগী মায়থোং।
শজিবুগী লিকোল শান্নবগী কোইনা ফম্লগা
ময়াম্না ফাক ফাক নোকপগী খোঞ্জেল তারগা
নিংশিংলকই মাগী মায়থোং।

## নঙদি চিত্রপোটনি

পাউখুমবিরকউকো অমুক্তদি–
ঐনা থম্মোয় শোক্লা হংলিবসে
করিগী অদুম্মক নিংঙাইদনা লেপ্তুনা লৈরি।
শকহেনবী নঙবু,
করিমত্তা খনদ্রবরা–
নঙগী থম্মোয়না।
প্রকৃতিগী ফজরবা পামেলদা
ঙাথদুনা চিংনদনা লেপ্লিবা–
কোইরাওনবা মীৎস্না থম্বালদা
মুরবা কাজলনা লৈতেংদুনা
মতমগী ইরাংসু কারকলি
নঙগী মীৎতানফম থাফন অনীদা।
লৈতেংলি মমল চংল চংলবা
হেন্দোক থোইদোক্লবা ফিজোনতনা।
নঙবু করিমত্তা খনদ্রবরা
হৌখ্রগনি হায়বা– ফংঙমদ্রবা মতমসে।

নঙবু তাদ্রবরা–
খেক্লা লাউনা নিনলিবসে অতিয়া শিনথুংনা
চাওখৎপগী খোঙথাংদা
খোঙদাররোই ওয়াশক্লবরা?
নত্রবদি করিগী লেপ্তুনা লৈবগে?
মী-না শাবা উকং লাইগুম
পোকচমনগী লেম্না অদুম্মক
পুন্সি লোইহনগে খল্লবরা?
তাদবরনে নঙবু–
আদ নমান্নবীশিংনা চৎলিবা খোঙাথাংসিদা
করিগী খোইরুম মোমোন নোক্নুনা লেপ্লিবগে?

কনা নুংশিবিদ্রবরা
মালেমদা লৈবা মীওইশিংবু–
ওইনা চাউবা কনাবু ঙাইবনো
মীৎচিগী লাং থাক্তুনা
ওইথোক্তবনি নঙগী আশাদো
অরেম্বা ওইরবনি
পাউখুম্লরোই মপোক'সিমগী নুংশি-ওয়াহৈনা
নঙদি চিত্রপোটনি।
লেপ্লু-পেন্না লেপ্লু
পুন্সি'সিমগী লেপ্লু।

## পথযাত্রী

ঐদি চৎতবা য়াদ্রবনি চীংতম সাগর কয়া লান্দুনা
পোম্বী চেক্লাশিংনা চিংনদনা মশায়গোন্দা হনবগুম
চরাম চদৎনরবা থম্মোয় শোক্লা ওয়াজরবা মীওইশিংনা
নুমিংদাংগী অরোয়বা তাঞ্জা উরদুনা ওয়ানা হল্লকখি ময়ুমদা,
ঐসু মখোয়গুম্না অমুক হল্লকখিগনী নিংবরা?
তৌইগুম্বসুং ওয়াজরক্লবা হকচাংনা নোংমগী অহিং চুপ্পা
জগোয় শাবা লোইরবদা ওয়ানা ওয়ানা থাবল ঈপোমদা
করিগুম্বদা ঐনা ওয়াকৎখিবা য়াওবরা
প্রমিথিউস অমগুম্না লৈরম্বীদে হায়দুনা?

মীয়ামরক্তা চৎতবদি য়াদ্রে–
অদুবু হকচাংদি য়াম্না থীনা চোকথরে, টলহাইনরে–
ঐগী খোঙ অনীসে পোথাবা ঙমজদ্রে,
শাখপ তোইরবা পোম্বী চেক্লাগী মশাগুম
মতমদি অদুম্মক চৎখ্রি তুরেলগী ঈচেলগুম
নঙনা ঐবু করিমতা নুংশিবিদ্রিবরা?
কয়া কুইনা নঙনা ঐবু থমখিগে খল্লি
চাওরবা মম্লবা য়ুমজাওসিদা পৌরোল হাংদনা
নোংজু নুংশা অমদি থাবলগী ঈপোমবু
মীৎস্না থম্বাল অনীদা উহনলোই খনবরা?

# চৎনবিনা মাঙহনলে

ঐখোয় মেম্মদো
নুমিদাং ঐনা কোইরুবদগী হঞ্জিল্লকপদা
লাইরিক পারম্মি চৌকিদা ফমদুনা
ঐনা ফাগীবু তৌই
মেম্মা চাক থোঙলুরো
হকচাংসে চোকথরে য়াম্না
হরাও হরাও চংখি চাকশঙদা
হরাও তয়াম উবদা ঐসু
ফাগী অমা তৌশিল্লুরে
করি য়েনছাং হাউদোরিগে মেম্মা।
লোয়ননা চান্নমা শাওরপনা খুমলকই
ঙা'গক্তি লৈরকত্রগা
য়েরুমগা তিলহৌগতা
করিবুদি হাউনি ।
হায়শিল্লুরে ঐসু
সাওগনুহে মেম্মা
চৎনবিনে চৎনবি।
অদুদগী তুমিন্না মপান্দ–
ঐনা খল্লি চেং লৌবা চৎথ্রিবোই
মাদি চৌকিদা ফমলগা
নুঙায়না পিরাং শিন্থরম্মি
লাকও, চাক থোঙলরো
চাক লাম্মে, ঐ য়াম্না চোকথরে
ঐনা ফনা তোয়না থেমজৈ
থেমতা থেমজিল্লুরগা হায়রকই
চৎনবিনে চৎনবি।
অতঃকিম?



CamScanner

ঐদি খল্লুবদা অওয়াবনি
হৌজিক্কী মেম্মাখোয়গী চৎনবিসে
লাইরিক তমলবসু
ওজা পাখং থমদবা য়াদ্রে
চাক থোঙলবসু নুংশি চৌকিদার শংবা
স্কুল কাবদসু চিনবান্দা য়েকলি মওং মওংগী
মতমগী পাখংশিংনা মীতানবা
মাঙলে মাঙলে, ঐখোয় মেম্মাদো
চৎনবিনা মাঙহনলে।

# লায়রবী

নুংশিজরকই হায়বগীদমক নিজবনি
লৈরাং নাচোম'সিনা খুয়াখাদা
নন্দন কানন্দগী হেক্কুনা পুজরকপসু নত্তে
পংলবা পুক্লিংগী লৈকোলদগী থিজরগা
পুরকপনি নিংজবা আশা খরগা লোয়ননা।

তৌইগুম্বসুং ঈরাৎ পূজা হৌখ্রবসু
য়াহৌ থেংলবা নচানি খনবীদুনা
চানবী হৈবী মীৎয়েংনা য়েংবিউ লাইরবী।
লান্থোকচরগে মন্দির মনুংদগী অরাপ্পদা–
লৈনম্না মালেম থুংলসনু লৈরাং নাচোমগী
ইমা– ঈরাৎ পূজাদা চনখিবা লৈরাংসু নত্তে–
চনখ্রবা মহাক্কুমসনু ফজদে–
নিংথিজদে মপুং ফানা।

অদুবু–
পূণ্যসু লৈ–
মরালসু লৈ–
লৈনমসু লৈ–
মগুণসু লৈ–
পাপসু লৈ–।

লৈরি পুন্সিগী অরাম খৌরাং কয়াদং
সংসার লম্বিগী লম্বী চৎপা মীওই অমগুম



CamScanner

কালেন থাগী উফুল্লক্তসু ওঞ্জগে।
লমদম কৈদা?
মফম কদায়দা ফংগদগে ফজরবা
মপুং মরৈ ফারবা নাচোম।
মীৎকুপ অমগী পুন্সিদা
মমি মকত্রবা ফজবা
কয়াদংসু লৈরী।

মাঙবা লৈত্রবা অমর ওইবা'মা ইমাগী থম্মোয়
মালেম লৈমগী লৈফুন তোৎলিবা নওয়া ঙাকনি
কয়াদং য়াওরি অরান্ব।
ঐখোয়গী লৈরী অওয়াৎপা কয়াদং
নুংশিবদা পুনশিন তিনশিল্লগা
অমত্তা ওইনা লৈরী।
ফিবান নাইদবা অওয়াৎপা'মা
মাংঙমদ্রবা চাওরবা পুন্সিগী মগুণ
চাংদম্নবীয়ু অমুক্তদি লৈরাংশিংদো
অদুগা তাকপিয়ুনে ইমা পংলবদা
লোয়ননা মপোক মপোক খুদিংগী।

# ইকায়জৈ

পাউদমলুনু কনাদসু
ইকায়জৈ মণিপুরগীনি হায়বা
নোংমগী হাৎনবা তোক্তবা
কৌরোবকা পাণ্ডবকা লান্দবগুম
নুমিদাংদা লম্বি চৎনদবা
সন্ধ্যা মতুংদা উচেক্কুম লোৎনবা
চা বাগানগী কুলিগুম্না
খরা থকচিল্লগা কোইলাউ লাউনবা
জ্ঝ্যান-ম্যান তানদবা
অঙম-অঙম ফুনবা
অঙাংশিং অকি-অখং পোকহন্বা
অমগা অমগা কৌনদবা
পাউদমলুনু কনাদসু
ইকায়জৈ মণিপুরগীনি হায়বা।

# শান্তি

মৈ হৌরকই থম্মোয়নুংদগী খংহৌদনা
মীৎহাৎপগী পাও তাবদা,
থৌবালদা নুপি'মা শিখ্রে
উরিপোক্তা ওজা'মা কপখাইরম্মে
থম্মোয়নুংদগী মৈ হৌরকই
মীহাৎপগী পাও তাবদা
করম্না শান্তি লাক্কনি
অমগা-অমগা হাৎনবা তোকত্রদি
নুংশিনবা তায় অমগা অমগা
মমা মচাগুম
মপা মচাগুম
মচিন মনাওগুম
নত্তনা শান্তি ফংলোই
শান্তিনা মঙ্গলনি মঙ্গল।

## ওয়াখল

মতম অমগী ওয়ারিনী
নোংমগী মংলাননি
ঙসিগী তাইবংনি।



CamScanner

# অনৌবা কুম

খুঙ্গং খুঙ্গং খুদিংদা
য়ুমথোঙ য়ুমথোঙ খুদিংদা
মাগী মাগী ফৎতা পুন্নমক
কোক্লনবনি হায়দুনা
অমাইবা অমাইবী কৌদুনা
চাকথা পিনরি পুন্নমক্লা।

অনৌবা চহীগী য়াইফনবা
ঐখোয়সু পীহৌসি চাকথা
ইমুঙ মনুঙগী ফৎত হৌদি
অমদি
কৈরোই লৈকাইগী ফননবা।
মওং চানা চাকথা পিহৌদ্রবদি
তুংদা অকায়বা লাকপা য়াই।

# হৌজিক্কী ওয়াখল

থোঙ শাদ্রিঙৈ শোজে লৈগে খল্লিবা
নত্রগা– থোঙ হাঙদ্রিঙৈদা নিংথিনা লোনগে খল্লিবা
ষন্বী লৈদ্রিঙৈ হান্না শঙ্গোম কয়া য়ামনা ফংবা
য়োল্লগনা মমল কয়া কাবা
য়ুম শাদ্রিঙৈদা য়ুম ভাড়া পিরিবা
ফিদুপ, ফনেক লৈদ্রিঙৈদা
ফজরনি ওয়াখলদা চেপলপ্পা মিংশেল য়েংবদা
করি ওয়াখলনো?
উপাম্বী থাদ্রিঙৈ হান্না
য়ুম মরেং য়ান্থৎলিবা
উহৈ মুন্দ্রিঙৈ হান্না
য়ুম শোক্কনি কীবনা
মশা মরেং য়ান্থৎলিবা
উহৈ মুন্দ্রিঙৈ হান্না
হাওনা চাবগী ওয়াখলদা ঙাওরিবা
করি ওয়াখলনো?
চেংফুদা চেঙ লৈতনা মীবু চাক্কৌনিংলিনা
য়ুম্ফম লৈতনা ইরোয়না শান্ননিংলিবা
খাওদা শেন য়াওদনা জুয়া শান্নগে ফমলিবা
অনী অহুম তিল্লগা সমিতি হৌনিংলিবা
করি ওয়াখলনো?
লাকও– ঐগী তুংইল্লকউ
য়ুমসু ইচম চমনা নিংথিনা শাসি
থোঙসু ফজনা চেৎনা লোনসি
পুখ্রিসু চাওনা তৌসি
ঙাসু য়োকসি, ইরোয়নসু শান্নসি
উপানসু ফজনা থাহৌসি অফবা মফমদা।



CS CamScanner

য়ুমসু শোকতনবা, উহৈ হেকপদসু খুদোংচানবা
উহৈ চাওনবা ইশিং নিংথিনা চাইহৌসি
উপান্ন চাওখ্রবদি ইশিংদা লুপশিন্দুনসু কান্নরোই।
অদুগা অমদি হায়হৌগে–
অনী তিল্লগা সমিতি হৌবসি তোকসি
পুন্সিসে পোকচমনগী চাওরবা পাপকী
অথোইবা প্রায়শ্চিত্তনি।

## মীনুংশি

হোই মোহন মপা
হৌগৎলো থেংলে,
ঙসিদি মৈরা পাইবীশিংদো
লৈকাই লৈকাই খুদিংগী
য়ু য়োনবা ফানি হায়নৈ
লম হেনজনুকো–
খজিক-খরাক চিংলগা
ঙন্তানা হঞ্জিল্লকউ
ফারদি চোপচনি।



CamScanner

# ঐসু মী-নি

ঐসু মী-নি
করিসু কিনিঙাই লৈতে
নঙনা হাৎকনি হায়বগী
নীংতম মাঙখিবগী ঙাওচৎনবনি
অমুক্তং হিংনিংঙি নীংতম্না
ঙহাক্তং ঙাইখো মী-হাৎপাশা
ওম শান্তি! ওম শান্তি!

# আশা

আশাদি পাম্বিগী য়েননিংনি
অমা থদংখ্রবসু মরুবু ফুক্রুবদি
অমুক য়েন্নিং হুল্লকখিগনি
শরুদা উন্না কুপ্লবা অনাবদুস
অমুক হিংগৎল্লক্কনি হায়বা আশানি
ঠেলাগাড়ি ইল্লিবা নুপাদুসু
নুঙাইরকখিগনি শেঙ্গাও পাইরকখিগনি
মথোন মথোনগী য়ুম শাগনি হায়না
ঐসু আশা তৌই মণিপুর নিংতম্লক্কনি
অমুবা আইন লৈররোই
শর্মিলাসু চারা হেনলরোই
ইনিংথৌসু লৈররোই
গণতন্ত্রগী যুগনিনা।

## শিবা ঙাইবা

হিংলিবসে শিননবনি
শিনবা হিংবনি
শিবা ঙাইবনি
ফুংবংননা হিংববুদি
নিংতম্না শিমিন্নসি।

# শাগৈগী শৈরেং-য়েন্বা

থাংজমগী পাখং অমনা থাং পাইদুনা
য়েনশেনবমগী য়েনবাদো কক্তগী তৌই
কৈশামগী কৈজাওদুনা তানৈ
চোংথামলোমদা চোং-চোংদুনা চৎখি
অওয়াংতাবমগী লৈশাবীদুনা লাউরকই অওয়াংদা চৎখ্রে
থোঙামগী থোঙালদা চংখি
কৌম্বৌজমগী কোম্বোং লিৎতুনা
শেরামগী কাংবুনা শেগায়নিংঙি য়েনবাদো
সাইরেমগী কাংবুনা সাইনিংঙি
খাঙেম্বমগী খাঙেনদা তোংলম্মী য়েনবাদো
সালামগী হনুবীদুদা কৎলকই ছালাম।

## শাগৈগী শৈরেং-হা

হামোমগী অচৌবা হাদো
য়েংখোমগী মীৎলাউবিদুনা য়েংলম্মী
হাওবমগী পুকচাওদুনা হায়রকই হাওরনিদা
কৈথেললাকপমগী নুপাদুনা কৈথেলদা য়োন্নিংঙি
লোংজোমগী অহল অমনা লোংদা হাপনিংঙি
মাইবমগী মাইবদুনা মাশিল্লকই
লাইশ্রমগী লাই মচাদু থেংনরুই
লুক্রাম অঙাং অমনা লুকথদুনা য়েংহৌই।

# হুই

দোলায় তোংবা হৈনদবা
থিগং উবদা চোংথবনি
মপু মশক খংবনি মনমদা
মপুনা চৎপদা অদুম ইনৈ
হুইনা চৎপদি ঙমখৈ লৈতে
চৎনিংবদা চৎপা য়াই
অথিংবসু লৈতে
পিএপি'সু চংদে
মরাংবিদো বৃন্দাবোন য়ৌরল্লে
বৃন্দাবন্দি লাইফমনি
লাইফমদদি লাই ঙাওই
সন্ধ্যা মতুংদা।



CamScanner

## লাই কৎপা

লাই কৎলু য়ান্ন-য়ান্ন
লৈখিদ্রবা নমা নপাগীতমক
লুপা লিশিং লিশিং কৎলু
পাঙ্গাশিংনা থোঙ্গালদগী ফাজিল্লি
লাইমাংদা পুশিল্লি
মহাপ্রভুগী মাংদা
খুরমজৌ নিংবা থুংনবা
পাঙ্গাদুনা ইনশিল্লি ঐঙোন্দা
শা-ঙা চাগনু প্রভুতবু নিংজৌ
প্রভুনা চানবিনি
অদুগা পাঙ্গাদুদি নুমিদাংদা
নমথাক্কী পৈশানা ইলিশা অমা লৈরকই
বাংলাদেশতগী লাকপনি
হুরান্ন চামিন্নে মতৈ-মনাও।

## চৎনবী

ফজদ্রা মুন্না য়েংঙু
কোম্বোং হেক য়ৌবদা
অমনা চেম্বোরক্কুনা তরাম তরাম ওকলিবা
খুৎতা পাইবা ছাতিন
মফম চানা থমলিবা
ঐগী মীগি মশক খংনা
ফমথবগা লোয়ননা চংশিল্লকপদো
খুবাং চাংজৌ তরা লোন্না
মনম নুংশিবা লৈ চন্দনগা লোয়ননা
ফজদ্রা অসিবু
মাংহন্নিংব্রা নঙবু
নঙ ঐগী লেমজনিঙাই নত্রা
ফজবগী মহুত্তা আনা'নিগী হিদাক থকলগা
লূপা'মগী ঙাওশিন্নরিবা
মিমাং পোমাং নাইদনা ও লাউরিবা
লমজাওদা লৈশা'মা উবদা
থোয়না হেন্না ঙাওশিন্নরিবা
অদুবু চাওখৎপগী খুদমরা
নত্রগা মধ্যযুগকী ফিভমদা নিংশিংলিবরা
ঐদি ফজবগী পুজারিনী
ফজববু থিমিন্নসি
নঙ ঐ ইকায় খুম্ননা চৎশি
নত্রবদি মীনা খোংনেৎননি।

# খেন্নবা

মচু মচুগী হায়দ্রোগী মৈঙালদা
নুঙায়না তুমখুল তাল্লি নঙদি
লম্বী চৎপা মীশিংনা ঐবু উরগা
করিগীনো নাতোন শুক্তোকলিবা?
ঐসিবু মী নত্রবরা
ঐসু মীনি
কয়াদা ফজদ্রবা ওয়াখলনো–
মদোম-মদোমতা লোৎশনগে খল্লিবা
লাও ঐগীসু অহাওবা খরা লৈরি
চামিন্নসি কোইনা ফম্‌দুনা
খন্নসি ঐখোয় ময়ান্ন
করিগীনো ঐবু হংগোয়রিবা?
ইকায়ব্রনে মী'না-মীগি মনাক্ত চংবা
চিকলক্কদ্রা ঐনা নঙবু
করিসু তৌজরোই লাও ইনাক্ত
তুকৎচব্রনে অমোৎপা ফিজোলসে
নঙসু মীনি ঐসু মীনি
করিদি খেন্নবগে?

# লাই খুরম্বা

লাই খুরমজগে হায়না
চংশিল্লুই শ্রীকৃষ্ণগী লাইশংদা
মুন্না য়েংববু খুরমজগে খন্না
সুদর্শন চক্র পায়না লৈরম্মী।
হাৎকে হায়বগী মতাগুম
লাইদি করিগী খূৎলায় পায়রি–
কীথূক-কীরুম তৌনা থোরক্লে
দূর্গা লাইশংদ'মুক চংঙি–
ইমায়পেম্মা- মখূৎ তরামক্তা
থাং-তেন খূৎলায় হায়ফেৎ শুই
বোম-তোপ্তনি ওয়াৎলিবা।
কোক নোন্না খুরমলিঙৈদা
তেন কাপশিল্লক্লুবদি
লাংশোয়না থিঞ্জিনল্লক্লুবদি
মাই ! মাই ! ঐ ঙমজরোয় লাই খুরম্বা
শিব মন্দিরদা'মুক চৎলি
শাওরং তৌনা ত্রিশূল পায়না লেপ্লম্মী
থিল্লগে-হাৎলগে মতাগুম।
অঙকপনি লায়না খূৎলায় পায়বা ?
নহারোলনা পায়রদি
টেরোরিস্টনি হায়বা,
ইমা লৈমরেলদা চঙজরুই
তরান্না কৌশিনবিরকই
ঐদি খূৎলাই পায়দে কিগনু
মীয়াম্না য়ারবদি গণতন্ত্রনি।



CamScanner

# মীৎতাঙবা

মীৎ তাঙবদি অয়ুক নুংথিল খেন্নদে
চৈশুনা থিন-থিন্দুনা চৎপনি
ওইদবা ঙাংদবনি।
গুরুং গুরুং চেন্নরকই
কাপ্লরে-হাৎনরে হায়না,
মফম মরাং খংনদে
অমা হংলকই–
নঙদি কৈদৌরি?
উন-উনা হংলিবা নঙবু
মীৎতাঙবরা।

# নিংবা কায়রবী

নিংবা কায়রবী লৈরাংদো
মীনোক চাউরবী তাইবংসিদা
কুইনা লৈরমদ্রে পোমশাৎনবীদো
ইকায়থিবী মহাক্কো
তুমিন তুমিন চৎচরুই
মহাক্কী নিংজবা আশাগা লোয়ননা
ওয়াজরবসু মদোম
কনা লোয়নদনা
চিনচান সুক খুঞ্জাদা
মহাপুরতায়গী লাইশংদা
খুরমজরুই দেবী মহাপুর তাইবু
মীনদি হায়নৈ
চানবী হৈবী দেবীনি
অদুবু নিংবা কায়রবী মাগী মফমদদি
চানবী হৈবী দেবীনসু
নুংশিবা মীৎয়েংনা য়েংবিরক্তবনা
চানবী হৈবী ওয়াহৈনা লৈতেংবিরক্তবনা
পাঙ্গল শোন্বী মহাক্কো
নিংবা কায়দুনা হল্লকখি
খল্লুবদা অওয়াবনি
ইরাং ইহৌগী সংসারসিদা
মদোম করন্না হিংগনী
নিংবা কায়রবীদো।

# কাওজদেনে নুংশিবী

অদুঙৈগী বসন্তরাসকী অহিংদু
তত্তনা নিংশিংলি ঐগী থম্মোয়না
নিংশিংলুরগা নহাক্তবু
ওইহনলি ঐগী থম্মোয়দা অওয়াবা
পীক্লা নৌনা খংনরক্লবী
থোৎনা নৌনা চান্নরক্লবী
কাওজদেনে নুংশিবী নঙতবু।

অঙাং নওয়া ওইরিঙৈ
পন্থৌনা নাওকোন্নরিঙৈ
ওন্না থোইনা শান্নমিন্নরক্লবী
নঙগী মায়থোংতবু উরগা পেঞ্জরম্মী
নঙগতা লৈরগা নুঙায়জরম্মী
পুন্সিগী করম্না থাদোক্কনি
তত্তনা নিংশিংলি ঐনা
কাওজদেনে নুংশিবী নঙতবু।

নিংশিং খুদম কয়ানা
থোয়না হেন্না নিংশিংহল্লি
ওয়াজরক্লবনি নঙগীদমক
পুজবনী অরুম্বা পোৎলুম
তৌজবা পুন্নমক নঙগীদমক্কী
খঞ্জবনি ঐগী থম্মোয়না
কাওজদেনে নুঙশিবী নঙতবু।

নোংমদি নঙতবু সোঞ্জবনা
ঐগী ইথৌ ওইরম্লি
খঞ্জবনি নঙদি ঐগী লেংদ্রবা মরুপনি
পামজরুই নঙতবু ঐনা
খঞ্জরম্মি পুন্সিগী লোয়নবী ওইহনগে
অদুবু– হংজনিংঙি নঙোন্দা ঐনা
কাওবিরব্রনে নুংশিবী।

ঐনা নঙবু নুংশিজবগুন্না
নুংশিবিদবা য়াদে নঙনা
হায়জবা নত্তে ঐগীসে
থম্মোয়গী পেন্দবা ওয়াহৈ খরদং
ফোঙদোকপনী নঙগী নফমদা
নিংশিংবিয়ু অমুক্তগা ঐবু
কাওজদেনে নুংশিবী নঙবু।

খংজিনবিয়ুকো অসিমদি
ঐনাদি নঙবু কাওজদে হায়বসে
নিংশিংবিয়ুকো অমুক্তং ওইরবসু
খন্থবিরম্মু ঙাহাক্তং ওইরবসু
ঐগী কায়রবা থম্মোয়না
তত্তনা সোঞ্জগে নঙতবু
কাওজদেনে নুংশিবী হায়না।

## লায়রবা

লায়রবা নঙননি
অচৌ মচা খায়হন্বা
নঙননি মীথোয় মীহেন শেম্বিবা
চাকহেন তোয়রবা য়ুঙাউগুম্না চৎলিবা
হায়রং হায়রং তৌদুনা
লাইরবগী অনাবনা পাইখিবনা
নিংবা কায়রবা মাগী খোম্থোক্তসু
তত্তনা শক্তি  মানবতাগী ঈশৈ
নুংশিরবা খোঞ্জেলদা
অদুবু–
লায়রবা মচা ওইবনা কনানসু থৌসাবীদে।

## নিংতম্বা

নিংতম্বা জাতি অমগী লেমজনিঙাইনি
নিংতম্বা জাতি অমগী আদর্শনি
অদুবু নঙগীদি কদায় ?
নঙদি হৌজিকসু ঙাওরি
মাতাহরীগি জাগোয়গী খুথেক্তা।
নঙদি মীনাইনি মীগি
তৌ হায়রিঙৈ তৌবা
চীংদা নুংজাও থুগায়হন্বা
অওয়ামন্দা য়ু লীক্লী অমা
মীনাইনিনা নঙদি অদুম পেল্লি।
ময়ামগীসু তোক্লো সমাজকীসু তোক্লো
নঙগীদমক হান্না খল্লু
নঙগী ইমুংদা শোজৈ পায়রিবদো
লমলানবনি লমলানবা।
মীনা ফম্মু হায়রে ফম্বা
লৈরু হায়রে লৈবা
অদুবু– মতম্মদা নঙসে
ননীংতম্না লৈরম্বদায়
করিগীনো ঙসিদি মীনা মপু ওইরিবা?
লমচৎ ওক্তবনা শাজৎ চুমদবনা
ময়ায় কাবা লীক্লি নুংশিরিঙৈদা
মাতাহরীগি জগোয় য়েংলিঙৈদা
নঙগী ইমুং মনুংদা
লমলাম্বনা য়ুম্বু ওইখরে।

ঙসিসু নঙদি অদুমক লৈরি
মীগি মিনাই ওইদুনা
নঙগী ইমুং মনুংগী শোজৈদো
নঙনা পাইনবা হোৎনজৌ
অদুনা খরাদি তোংজনি।

## শাগৈগী শৈরেং-থেংগু

থেংগুজমগী মরাংবা থেংগুদো
খোইরোমগী খোইদা থুখ্রবদা
খাইদেমগী কাংবুনা খাইদোক্লিংঙি
চিংথামগী মীওইশিংনা চিংথোক্লিংঙি
চিরোমগী কাংবুনা চিরোন তৌনিংঙি
নান্দেবমগী কাংবুনা নাহোকহন্নিংঙি
মৈত্রমগী মীনা মৈদা লৌনিংঙি
শেনজমগী কাংবুনা শেমদোক্লিংঙি
চনম্বমশিংগী চনম হাপ্লগা
থোকচোমগী কাংবুনা থোংনিংঙি
লোইতামগী কাংবুনা লোইশিন্নিংঙি
লমাবমবগী মীনা মখুৎ লাম্লকই
থেংগুজমগী মরাংবা থেংগুদো

লৌরেম্বমসু লেম্না লৌনিংঙি
পাঙম্বমচানা পাঙনদা পিথোকনিংঙি
কোইজমশিংনা কোয়শিল্লি
পেবমগী কাংবুনা পেথোক্লা লৈহৌই
লৈচোম্বমগী কাংবুনা লোইশিনখ্রে।

# লায়রবগী য়ুম

য়েংঙু
য়ুম্ফমথক্তা য়ুম অমা শাগৎপা তারবদি
য়ুম অমা থুগাইবা মশানা তাবনি
করিগীনো নঙনা অদুক নুংনাঙলিবা
থুগাইয়ু করিমত্তা চিংনদনা
শাগৎসি অনৌবা লায়রবগী য়ুম অমা
য়ুমদুদা ঙহাক ফম্বদা শান্তি ফংনবা।
নঙগী থৌরাং উবদা টোকা খৎপা কাঙবুদি
খোঙনীং কাঙনা মুন্না মুন্না য়েংনিংগনি
থৌসারুনু–
য়েংনিংবা য়েংজসনু
নঙগী থৌদাং পাংথোকপতা লেপকনু।
নঙগী লায়রবগী য়ুম'সিদগী তাহল্লু
মীওই পুন্নমক্তা শান্তিগী শৈশক,
মানবতাগী শৈশক;
নঙগী লায়রবগী য়ুম'সিদগী থোকহল্লু
মীওইবগী অধিকার।
অপোকপী পলেমগী নুংশি পাউতাক
পাখং চোত্রোবাশিংনা খোঙগাউনরবা
নঙগী লায়রবী পলেমগী লৈকোল
শেমগৎলু লায়রবগী য়ুমগী মচি'মদা
নুংশি লৈনম ফংননবা।
টোকা খৎপদা হৎলেংদ্রবশিংগী থৌদাং
নঙদি কৈদৌঙৈদসু খঙলিরোই
মখোয়গী ওয়াখলদি মতম'পুম্বদা শোন্নরিবা
খুমনচা খম্বানা কাউ ফাঙৈদগী
অঙোম নোংবান কোয়াম্বগী ওয়াশক্লুম্বনি।

# হৌজিক্কি শক্তম

বিংশ শতাব্দীগী চাওখৎলবা মতম’সিদা
থাদোক্লসি অরিবা ওয়াখল
কান্নদ্রবা ওয়াখলনি নঙগীদো।
শঙ্গোম য়োল্লগা য়ু থকপা,
কোরফু য়োল্লগা তুম্বা লেপ্পা
অদুদি–
অরিবা ওয়াখলনি, অরিবা ওয়াখল।

লৌ য়োল্লগা লুহোংবা
মনুংদদি হাপু
মপান্দদি-মৈতৈ বাবুনি
মচানা বাবু শারিঙৈ
মপানা জুবি খুজায় পাইরে।
কান্নদ্রবা ওয়াখলনি, কান্নদ্রবা ওয়াখলনি।

নুজা নাক্তা ফমলিঙৈদা
মীৎচিগী লাঙ থাকলিঙৈদা
হৌখ্রগনি নঙগী পুন্সিদো
ঐখোয়দি শুরগা চাবা
খোঙ চোৎলগা চিন চোৎপা
অচুম্বনি অচুম্বা।

ওইদবা ওয়াখলদা ঙাওরিবা
ঐনা হেনলে নঙনা ওয়াৎলে
ঐনা চাওরে নঙনা পিকলে
কান্নদ্রবদা মরৈ য়েৎনরিঙৈদা
মীনা হেনখ্রে লমজেলদা
নঙদি ঙমলোইএ ঙমলোইএ।

নওয়া লেপ্তবা নরিংজেল য়াওদবা
পংঙাং ঙাং পংশক শকপনদি য়ারোইএ
মাংগোন্দা পাম্বোম তিংবনা
শুমাং ময়াইদা উকিল শাবদি
চাওখৎলবা বিংশ শতাব্দীদা
কান্নরোইএ কান্নরোইএ।

থাদোকলসি অরিবা ওয়াখল
ফত্রবা য়ুবু য়োল্লগা
থকলসি অহাওবা শঙ্গোম
তুম্বা য়োল্লগা লেপ্পসি কোরফু।

# সাহিত্য লৈরাং

মতম কুইনা লোৎলুরবা সাহিত্য লৈরাং
শাৎলরে ঙসিদি পূজারী সাহিত্য সংসদকী লৈকোন্দা
শজিবুগী লৈবাকলৈনা নুংগাই চেগাই মরক্তা
থোৎলবা লৈরাং লৈনানা থিনগাইদুনা থোরকপগুম
বাংলাদেশকী তম্পাক্তা শাৎলরে 'পূজারী'গী লৈকোন্দা
পূজারীগী সাহিত্য লৈরাং লৈনম্না
শিনবা থুংলসনু পৃথিবীগী মীপুম খুদিংদা–

শজিবুগী কুমগী নোংহৌগুম
হৌরক্লে মৈতৈ অশৈবশিংগী থম্মোয়নুংদা–
শাৎলগনি অনৌবা সাহিত্য লৈরাং
পূজারী সাহিত্য সংসদকী লৈকোন্দা।

সাহিত্যবু পামজবা পামজবী কয়াগী
নুংশি পাওদমখোল তম্লরি তত্তনা–
পাইথোক্লি তত্তনা সাহিত্য লৈরাংগী লৈনম
থৌজাল হৈরবা মপুগী মালেমসিদা।
সাহিত্য লৈরাংগী লৈনম ফংবদা হরাওজে ঐনা
পামজৈ লৈকোন্দা তত্তনা শাৎচবা–
মচু তরেৎনা লৈতেংবা চুমথাংনা ঙানবগুম
ঙাল্লসনু পৃথি'থক্তা পূজারী সাহিত্য সংসদ।

# ফজবা

হে ফজবা–
লৌবিয়ু ঐগী নমস্তে;
শেংদোকচরি থম্মোয় থোঙজিন
লৌথোকচরি কোক্কি কোকয়েৎ
অথীবা-লেম্বা, অফ-ফৎতা
থীজরম্বা অর্থ চেন্দবা পূন্নমক
অপল অথীং কয়াদং তুকচ্চদুনা
চিংনবা, অকিবা, ঈকায়বা, অভিমান
খুৎশিন্নজগে হরাও তয়াম্না।
অথীংবা লৈত্রবা ঈহৌদা
মুক্তিগীদমক খোইরাংলবা
নঙগী অমৃত মরিক অমতং
মালেমসিগী লৈঙোয় মরিকুম্লবা
মদু নত্তনা অতোপ্পা করিসু...।
খংজরে,
হে জাগ্রত–
হে অওয়াংবা নুঙাইবগী মচা
খুৎশেমগী অহৌবদগী মরী লৈত্রবা
তুংশিন্দুনা লৈরবা অমম্ অঙালনা
অদুবু ঐদি–
অনৌবা খোঙথাং অমগীদমক ইদোম ঙাওজরি
মালেম লৈকোয়বুংদা
থম্মোয় মণি থম্বালগী
নুংশিরবা লৈনমদা
নঙগী চাংদমনিঙায় লৈত্রবা জ্যোতি:
খায়নবতা য়াদ্রবা নুঙায়বী ফোঙদোকপা
মহাক্কী পুন্সিগী য়াইফা-ঈঙ্গিত
তুজুংদুনা হৌগৎলি মালেমগী অনন্ত লৈকোন



CamScanner

তনিক তনিক নোম-নোম্লি
অনু-পরমাণু খুদিংগী ফজবগী মহীয়সী
পন শিরমদায়তবু য়েংদুনা
ওয়াহৈগী রসতা খুৎথেংনবগী লৈনমদা
অদুনা ঙসিদি লৈত্রে অকি-অখং।
মালেমগী পাত্র খুদিংদা
নিজরি ভিক্ষা ওইনা ফজবা
নুঙায়বগী ঈচেলবু থম্মোয়দা থন্নবগীদমক
ঈহৌরবা নিংতম লানগী মুৎনাইদ্রবা ঈয়েক
নোংমগী মশিং লাকঙমদনা থিরিবা
নুমিৎ খুদিংগী নুমিদাং খুদিংমক্কি
মাইকৈ অমদগী মাইকৈ অমদা য়েংলি।
নুংশিববু ঈহৌরবদি থম্মোয়নুংদা
লাকঙমদ্রবা হকচাংনা ঈরাংলাংই
হরাওবদা থম্মোয় লুপলিঙৈদা
সিন্ধুগা মান্নরবা প্রমত্ত বিহবল
থীজরকই থম্মোয়গী অনন্ত মহিমা
হে– অশেংবা–ফজবগী কোইরাওনবা পূর্ণিমা
কনানা হলহনগনি ঐবু
করম্বা পাঙ্গলনা ঐবু থীংবা ঙমগনি
তুংহন্না কনানা কন্না চিংবীগনি
ঐগী নুঙায়বগী অভিসার লম্বীদা
লম্বীদি লোইবা লৈরোয় কৈদৌঙৈদসু
পুন্সিদি লোইশিল্লক্কনি অদুম্মক
লৈতে কনাগীসু থীংবগী পাঙ্গল।
অইংবা লৈতেকো ঐগী থম্মোয়
য়েৎনবগী ওয়ায়েল
নোংমগী রহস্য লৈরবা অরোনবা ওয়াহৈ
নোংম-নোংমা নুঙায়বগী ঈচেল–
অরোনবা অভিসার

নোংমা-নোংমা ফজবগী
অনৌ অনৌবা খোঙথাং
জয় ওইরগনি মালেম লৈকোয়বুং
থিদবা য়াদ্রে মালেমগা লোয়ননা
নোংমগী অনেবী খোঙথাং
নোংমগী হরাও কুঙ্খে !
অওয়া-নুঙায়বদা চপ মান্ননা
মীৎকূপ খুদিংদা তুমহল্লি
পুন্সিগী নিংজবা কয়া।
চৎকনি শান্তি লৈত্রবা থম্মোয়না
উল্কাগা মান্ননা
অনৌ অনৌবা ঈপোমদা
ইশিং-কংফাল, চিং-তম হৈরাং-লৈরাং খুদিংদা
চেক্লাশিংগী মকোন মকোন্দা
মীয়ামগী মীতিন্দা, অমম্বদা অঙানবদা-
অথীংবদা লৈতে, তাকপিবা য়াওদনা
চৎখিগনি ফিবান নাইদনা।
থীজরী তৎতনা অমৃতগী রস
নুঙাইবগী ঈরিক্লা থল্লবা পুনবু
খৌবোম থন্না থকতোক্লগা
ঙসিদি মৃত্যুঞ্জয় ওইরগনি ঐদি।

## লাইফমগী ঐজ্ঞা'দুগা

ঐজ্ঞা ঃ ও ইবুংঙো নঙবু বাংলাদেশকীনি হায়বদায়
করি থবক্কিনো, অসুম লাকপরা?
লাইফমদবু?

যাত্রীক ঃ হোয় ঐজ্ঞা, বাংলাদেশকীনি
অদুবু হেক্তা লাকপা য়াব্রা, ঐজ্ঞা?
থবক খরা লৈদুনা লাকচবনি।

ঐজ্ঞা ঃ ফিরোই-ফিঙামগাক শোনদৌরিব্রা?
লাইবুসে মচৎ ফৎতবনি।
শেন য়াম-য়াম্না হায়গন্বনি।

যাত্রীক ঃ কয়া কয়াবু হায়বা হৌনগে
লাইদা লূক অহুমতং চন্ববু
চাম চনী'মঙাই হাঁ ঐজ্ঞা!

ঐজ্ঞা ঃ হোয় হোয় হায়নৌ
করি হায়গে য়েংঙু

যাত্রীক ঃ অদু ঐজ্ঞাবু লাইবু নত্রো?

ঐজ্ঞা ঃ নত্তে নত্তে
মখোয়না তৌনিংতা তৌরিমি
হায়নিংবতা হায়রিমি

যাত্রীক ঃ ঐজ্ঞাদি বামোননি
শোন্বগীদি ঐজ্ঞাগা তানফম থোকত্রা?

ঐজ্ঞা ঃ থোকই থোকই
অদুবু তান্নবিদে
গঙ্গা মপানদা ঙহাক শোন্ববু
লিশিংদগী তান য়াদে।
ঐঙোন্দদি তরা-কুন'না হেক্তা পেল্লো হায়

যাত্রীক ঃ হায়রিসিবু মখোয়গী কারবাররো
শোন্বগীদি ঐজ্ঞানা ফংফম থোকত্রো?

ঐজ্ঞা ঃ থোকই, ফংদে
অদো ঐ ওয়া হায়গে তাউ–

যাত্রীক ঃ তাকপিসি ঐজ্ঞা
ঐদি অহান্বা লাকচবনি
ঐজ্ঞাখোয়না তাকপিগদবনি।

ঐজ্ঞা ঃ ইবুঙো মফমসি লাইফম্নি
লীক-লুগুন য়াউব্রা?
মহী-মরাং হৈনব্রা?
মফম'সিদা শা-ঙা চাহৈদে

যাত্রীক ঃ লীক-লুগুন থাদোকচদে
মহী-মরাং কয়া হৈনজদে

ঐজ্ঞা ঃ মতিক-মগুন লৈবা লাইফম্নি
ইরাই-লায়না খন্দোক্কনু
মহাপ্রভুগী পোক্লফম লমদমনি

যাত্রীক ঃ থাজবা লৈবদগী নত্রদো
পৈশা হুন্দোক্কুনা
অহল লম্মনগী কর্মগী লাক্লরিবনি

ঐজ্ঞা ঃ হোয় হোয়, ফরে
লাইবুসু লাক্লে, ওয়ারী শান্নহৌরো
ঐ অমুক লাইগীদা চৎলুখিগে–

লাইবু ঃ ইবুংঙো, লাকই হায়বদি তারে
ঙহাক্তং থোরকপা শংদে
অমা নত্রা অমা হেক্তা ফুজিল্লকই
ইবুংঙো করি থৌরম পাংথোক্কদবা লৈব্রা?

যাত্রীক ঃ সানুখ্যা, লাক্লিবা শগোলশেন নুমিত্তা
লাইদা লূক অহুমতং কৎচগে
ইমাগী বছর তারি

লাইবু ঃ অদুদি ইবুংঙো
ওয়াকোই শুনা কান্নদে
লূপাদো লিশিং অমমখায় পিশল্লো
ঐনা লোয়না শিন্বিরনি

যাত্রীক ঃ করিনো সানুখ্যা ?
লাইদা লূক অহুমতং কৎপদা
লিশিং অমমখায়।
মী চাম-চনী পিজবসু নত্তনা

লাইবু ঃ মদো হৌজিক য়াদ্রে
পোৎচৈগী মমল লোয়না হেনগৎখ্রে
অদুননি।

যাত্রীক ঃ অদুদি– পোৎ চংগদবা ময়ামদো
ঐ বাজার তৌজরগে
য়ারোইদ্রা ?
লূপা চামঙাফাওবা চংঙোয়দবদা,
ঐসু অহল-লম্মনগী সেবা ফংজহৌগে।

লাইবু ঃ ইবুংঙো, ঐখোয় তৌবিরগে
লূপাদো লিশিং অমখক পিশল্লো
ফজনবা শিন্বিরক্কে।

যাত্রীক ঃ সানুখ্যা, খরগা তাবিরো
চামঙাখক তৌরগে, ফনবা শিন্বিরো

লাইবু ঃ চামঙাদুদি লীকমল্লি
ফর্মা-৩ (খ)
চাত্রেৎখক তৌরো।
অমমুক লাক্লে উনরুখিগে–

যাত্রীক ঃ হোয়দা হোয়দা
চাত্রেৎখক তৌরগে
এ্যা ঐজ্ঞাসু লাক্লে !
লেংশিনবিয়ু ঐজ্ঞা।

ঐজ্ঞা ঃ কয়াদা লোয়নরে?
সন্ধাগী লাই সেবা লোইশিনলগা
ইবুংঙোবু উন্ননিংদুনা লাকপনি

যাত্রীক ঃ হোয় ঐজ্ঞা,
হয়েংসি ঐগীনা হান্না হেক্তা লোইথোকসি
করি হায়গে ঐজ্ঞা

| | | |
|---|---|---|
| ঐজ্ঞা | ঃ | ঐগীদি করিসু অকায়বা লৈতে<br>লাই কারবার ওলাশিংদা হংঙু? |
| যাত্রীক | ঃ | ঐজ্ঞা হৌজিক্তা নুপা অনিখক চংখিবদো<br>উবিহৌব্রা?<br>হায়রং হায়রংসু তৌই<br>ইলিশা অমসু য়ানখি<br>বাংলাদেশকীসু মাল্লি। |
| ঐজ্ঞা | ঃ | ইলিশাবু বাংলাদেশতগীরো<br>হৌজিক্তি গঙ্গাদসু ফানরে<br>মহাওদি খর ওয়াৎলি |
| যাত্রীক | ঃ | অদো, লাইফমদবু হায়রং হায়রং চৎনবোইরে–<br>মনম্না ওয়া ওয়া নম্লদুনা<br>ঙাগকসু চানবোয়রে লাইফমদা। |



CamScanner

# উজাউ লাইরেম্বী

উজাউ লাইরেম্বী লেপ্তুনা লৈরি
মশা মরোং ফন্দুনা
কোনাগাঁওগী মচি অমদা
মালেমগী মৈতৈশিংবু
মনা পুংলবা মশাগী মরুম্না
শান্তি পিবিরি মীওই খুদিংদা
করম্বা মতমদগী লৈরম্বনো
কনাসু চপচানা হায়ঙমদে?
লেপ্তুনা লৈরি পাক্লবা লম্পাক্তা
শান্তি পিনবগীদমক্তা
ধূপ থাউমৈ থাদুনা
খুরমজৈ নীঙোলশিংনা
মা-মানা নিংবা থুংনবা
পাখংশিংসু খুরমনৈ
ময়ামসু খুরমনৈ
শান্তিগীদমক।
পিনহৈবী ইমানি
চাম্বী হৈবী লাইরেম্বীনি
কোনাগাঁওগী উজাউ লাইরেম্বী।



CamScanner

# ঙারি চাবা

ও ইঙেল্লে–লৈত্রো?
করি হায়গে তাদা,
এ্যারা হিদাক্তো তাঙ্খায়মত্তা
লোয়ননা ঙারি খরা য়াউহল্লো।
সে সে হিদাক, ঙারি
ঙারিদি ঙাচিক ওইনা তৌরে।
ইঙেল্লে, ঐনা চানিংলিবদি মদু নত্তে,
অদুদি করম্বা ঙারিনো ?
হোয়রোঙরো–?
হোয়নে মদুনিনে !



CamScanner

# জুয়ারী কথা

ওইনাম তোমচা চে চিংঙি
মথওায় চংনা মুরুং মুরুং শোল্লি
তাক্কা তাক্কা কন্না কৌই
থংনবা অমনা হায়রকই
করিনো তাক্কাদা লাই ওরইক্কদৌরিবা ?
চাবদি খক চাদে মীনতা চাখি।
ঐসু চাননবা চিংবনি
থোরক্তে কৈদৌনি।
তাক্কাদু থোরক্লুম্মবদি য়েংঙু
মীনা ঙমগদ্রা
হোয়দা হোয়দা কন্না কৌ
মীনা ঙমদনবা
অমুক্তদি চাউবা তোমচা নঙবু।
ঐসু চানিংবনি মীনা হেক্তা চাউরম্মি
ফমঙৈদগী অমুক্তা চাবা ঙমদ্রি
দাওসি ফৎখিদ্রে করিনো,
ও শেঞ্জম তাদা
লূপা চামঙাতং শিন্নসি
দাওসি য়ামন্না য়াদে হে সৈত্য !
লূপাদো চামঙাতং পিরকউ
হয়েংদো শুকসোয় সোয়দনা শিংজগে
ঐসু পংফং ফংবা নত্তে
কোনোরকম শিরুম-নারুম তৌরিসিনি।
কনাদনো হংঙো ঐঙোন্দা হায়রক্কনু,
কনা লৈরি তাদা নত্তনা
হয়েং শুকসোয় সোয়রোয়
হৌজিক লৈত্রগা হয়েংদি কদায়দগী
এ্যা তাদা হয়েং শুকসোয় সোয়রোয়
সৈত-সৈতনা সাক্ষীনি।

# থওয়ানমীচাক

কৃষ্ণচন্দ্র নহাক্তি পোক্লফম থাদোক্তুনা
লাকখি ভানুবিলদা ১৯২১ইংদা
ধলেশ্বরদা লৈরবদি মৈতৈগী
চাওখৎনবা য়ারোই হায়না
মীখা পোন্না লৈনিংদবগী
লাইরিক তম্বা লোয়দনা
পোক্লফম থাদোকখি থৌওইদনা
ইজাতিগীদমক খন্বদা।
ধলেশ্বরদা লৈরিঙৈ মতমদা
শক খংনখি জননেতা হিজম ইরাবতকা
লাইরিক তম্লিংবগী ওয়ারী তাবদা
দরখাস্ত অমা থাগৎখি ইরাবতকী মীংদা
নিংথৌমচাশিংনা য়াখিদবনা
নিংথৌসু য়ানিংদবা ফোংদোকখি
মরৈ য়েৎনৈ নিংথৌমচাগা
কৃষ্ণচন্দ্রদি মীচম প্রজানি
ঙমখিদে নিংথৌমচাগা মায়োক্লবা
থবক থাদোকপা তাখি
রয়েল লাইব্রেরীগী লাইব্রেরীয়ানগী ফম
নিঙহন্ননা চৎখি জননেতাসু ত্রিপুরাদগী
ভানুবিলদা লাক্লবা মতুংদা
ইজাতিগীদমক কন্না হোৎনরম্মি
ঈশিং খুদোং চাদবা কোক্লনবা
খুনয়াইদা সরকারদগী শেন কায়থোকহল্লগা
পুখ্রি অমা তৌহনখি
মদুদি সরকার পুখ্রি হায়না হৌজিকসু খংনরি
মৈতৈমচা করম্না হিংগনি
ময়াং মরকসিদা খন্থবা হৌখি
অপুম্বনা লিংজেন্নি হায়বা ওয়াখলদা
চৈতন্য সমাজ সমিতি হৌগৎলি ১৯২৫ইংদা

মেম্বার চাম্ম খোমখি থোয়না ওয়াখিদে
মণিপুর বামুতিয়া ধামাই ভানুবিল
আগরতলানচিংবা অতে অতে খুঙ্গংশিংদগী
সিকি সিকি শেনখায় খায়গৎতুনা
অশি-অনা তাবদা তেংবাংহনখি।
খোইজেল-লিংজেন মান্নবনা পাঙ্গলনি
কৃষ্ণচন্দ্রনা তাকপিরম্মি মীয়ামদা–
ভগবান শ্রীকৃষ্ণনা নীকুঞ্জবনদা
মখল মথেলগী রাস শান্নবগুম
কৃষ্ণচন্দ্রসু শেমনিংবা মওংদা
শেমগৎপিরম্মি ভানুবিলগী মণিপুরীশিং
১৯৩০ইংদা কৃষ্ণচন্দ্র প্রাইমারী স্কুল লিঙ্খৎলি
মচা-মশুশিং লাইরিক হৈননবা
পাঠশালা লোয়নবা লাইরিক তমহন্বা
লাইরিক হৈতবা মীদি উকংগা মান্নে।
য়ুমথোং য়ুমথোং খুদিংগী চৎলি
স্কুল কাদবা অঙাংশিং থিবা,
তঙাই ফদনা অঙাং পুন্নমক
স্কুল কাদবা য়াদে
লাইরিক তমদবা য়াদে।
নুপী অঙাংশিংদা লাইরিক য়েম্নোকই লেম্না
ভানুবিল কৃষক সমিতি
অমসুং লাইব্রেরী অমসু লিঙ্খৎলম্মি
য়াউশঙদা হোলি হৌদোক্লম্মি।
দফা চোলোম তৌহল্লি
পালা চাম'না কোইহল্লি।
ভানুবিলগী হোলি পালাগা
বিশগাঁওগী হোলি পালাগা মায়োক্নহল্লি।
ঙমখিদে ভানুবিলগী পালাদা
সুরমাগী পালানসু ঙমখিদে।
নহাক্কি নতিক নগুন উবদা
জননেতা হিজম ইরাবতনা

মণিপুরী মহাসভা লিঙ্খৎপদা
শ্রীহট্টদগী কৌখৎখি তত্তনা থৌবুরেল অমা ওইনা
ভানুবিলগী লৌমিশিংনা অওয়াবা মতমদা
নুমিদাংদা অওয়া পোত্থনরিঙৈদা
কল ঈশৈ পান্দুনা তাহল্লি
শ্যাম বন্ধুগী প্রেমগী মৈনা চাক্লবা
চন্দ্রকলাগী ঈশৈনি
ময়ামসু প্রেম পোক্লে
লৈপাককি কোংপাক্লা শকপদো
মথংদা অমমুক শিনলি
গোলাপীগী লাইশোন ঈশৈ
চৎলো চৎলো পুক্লিং ব্রজ বৃন্দাবন্দা
কৎচরুরো থওয়ায় হকচাং হরিগী চরণদা...
ঈশৈ তাব লোইরগা কৃষ্ণচন্দ্রনা হায়রকখি–
হয়েংদি জমিদারগী মী লাকথোকখিবা য়াই
মতিকচানা মায়োক্নগদবনি
নীঙহন্নবা য়াদে ঐখোয়
মায় পাকপা ঐখোয়গী সোয়দবনি
মীখা পোন্না পুন্সি শাংনা লৈববুদি
নীংতম্না মীকুপ অমতং লৈবনা হেন্না ফৈ।
ভানুবিলগী লৌমিশিংদা থৌনা হাপ্পি
অদুদগী মীংথোন ওইখি কলকৃষ্ণ
নহাক্লা লিঙ্খলম্বা স্কুল ছাত্রনা
ঙসিদি শকনাইবা ওইররে
কবি সাহিত্যিক কয়া থোরক্লে
কলকৃষ্ণগী থৌজালনা।
মহৈ মরোং চুম্লবা
তাইবংদা মীয়ামনা শোন্নরবা
মীংচৎ লৈরবা কৃষ্ণচন্দ্রনি
মুৎনাইদ্রবা উরোং য়ুংবিরম্বা
নঙদি ভানুবিলগী ফিজিগী লন্নী
মুৎনাইদ্রবা মৈতৈগী থওয়ানমিচাক্লী।



CamScanner

# ১২ ডিসেম্বর নুপীলান

ডিসেম্বর হেক লাকপদা নিংশিংলকই
পোইনু থাদা ফৌ চেঙ বাজারদা ফংদবা
ইমাশিংনা অমগা অমগা হৌনদনা
চোংথোরকখি সনা লমজাওদা
খাংয়েৎ চেৎনা শেৎলগা
মচাশিংনা অরাম খৌরাংনা কপ্পদু তরাগা
লৈবা ঙমখিদে ইমুংদা তুমিন্না
ময়াংমচাশিংনা উশিৎতনা তৌবদু উরগা
ফৌ কারবারওয়ালাশিংনা ফৌ পুরকপদা
থৎখি নম্বোল তুরেল তোর্বানদা
অমুকসু মণিপুরী মীওইশিং চাক পিজরোই
ওয়াই পিজগনি হায়বদা তাবদা
মৈদা ঘি হৈবগুম থোকখি
ইমাশিং চংশিনখি বোরোসাহেবকী বাংলোদা
বোরোসাহেবপু মখুজেং পাইনা চিংথোরকই
স্না লমজাও থক্তা
মনা লৈহৎলগা মখাজাইদা শেৎখি
মচা-মশুশিং মবুক থন্নবা
চেঙ ফৌ মাপনদা থাদোক্তনবা
থৌনা ফবী ইমাশিংদু লৈখিদ্রে
ওয়ারীদি লৈহৌরি মুৎনাইদনা
চহীগী নিংশিংলি নুপীলানবু।

# চৎনবীগী ঈরৈদা

চৎনবীগী ঈরৈদা লুপ্লবা ঐখোয়সে
তাইবংদা হিংবা ওয়াবা ওইরক্লগনি
চৎনবীগী ঈরৈদগী ফাওগৎত্রি ফাওবা
মীগী মচামশুশিংনা খুমাং চাওশিনখ্রে
ঐখোয়গীদি অফা-ফত্তা অমাং অশেং থিরিঙৈদা
লমজেলদা মীনা অদুম হেনখি
মহৌশাগী চৎনবী
লমদম  অসিদা চৎনরম্বা
ফিজেৎ চাকচা শাজৎ লিচৎ লোয়না ওনখ্রে
শুমাং শেন্দ্রাং ময়াম ময়াম চাক্তবদো
হৌজিক উরকতরে শুমাংদা শেন্দ্রাং চাক্তবা
নহারোলশিংনা চাখোকখিনি কিবনা
লৈকায়দা হুই লাব লৈশিনলক্রে
নহারোলশিংনা লাইদা কৎখিবনা।
চৎনবীগী ঈরৈদা লুপ্লবা মৈতৈ ঐখোয়সে
থাংজ পোকই নোংপোক্তা থাজবা য়াদে
ইরাই পোকই নোংচুপ্তা থাজবা য়াদে
মৈতৈ ইমা-ইবেনশিংগী চৎনবীনি।
য়াদবগী য়াদবাঙক্তা
চেনবু চেনখ্রগদী লোয়না য়ারে,
নোংপোক নোংচুপ য়াদবা লৈতে
নোং নিনি শাওশিন্নে
খরনি লৈরগা মখোয়না হেল্লি
চামিন-থকমিন্নবা উনদবা ঙমদে নোংমগী
হায়না চৎনবা য়ারমদবদো চৎনবীগী ঈরৈদা লুপখ্রে।

## পাউজেল

অনৌবা পাউজেল অমা লাক্লনি
ঙরাং নুমিৎ লূপ অমা হৌখ্রে
ফমজাও পাইনিংবা খরা পুনশিল্লগা
লূপ তৌই মীখা পোল্লি
মখোয় মশেল লাউনৈ
অমনা ঙাংবা অমনা তাদে
অমনা হায়বা অমনা য়ানিংদে
সভাপতি ওইনিংবনা পুন্নমক্লি
পাউজেল অমা লাক্লনি
কন্না কন্না লাউনহৌরি
ফম মুন্নবদা মখোয় মশেল খৎনৈ
ফমজাও পাম্বা কাংবুদো
মুরুম মুরুম ঙাংনহৌই
তাংখাই তাংখাই য়েংহ্নোকউ
হেনদোক হেনজিন তৌহনগনু।

# লাই নিংবা

ঐ লাই নিংলোই
লাই মচিন থি
চবান থারে চাদে
চাকথা পিরে লৌদে
অনাবা কোক্লবা
লাই মচিন থি
ঐ লাই নিংলোই।
পাপ কোক্লবা খুরমজৈ
থৌশাবিদে
উনা উনা উশিন্নদে।



CamScanner

# চংবা য়ারোই

চংবা য়ারোই, মী-সু লাইসু
লম্বী থিংলি ঐনা
নখোয়-মশেন লোইশিন্নরগা
লাকও য়ানি
অপোক্‌পা পোকতবা
চংবা য়ারোই লম্বী থিংলি ঐনা
অপোক পোকতবা খুৎশম্নবা লাকউ
লম্বী থাদোকপিগে।

# অশেং অমাঙ

য়ু-ঙাও অনী কন্না মরৈ য়েৎনৈ
ঐখোয় ঐজ্ঞানা হায়ববু শোয়গদ্রা
তরেৎনিদা য়ুম শেংবা মাংঙি
তরাদিা য়ুম শেংবা মাংঙি
অমনা হায়রকই-
নঙগী ঐজ্ঞাসু মাংঙি
মরমদি মহাকসু তরানিদা য়ুম শেংঙি।

# পাওতাক

পাওতাক পিরক্কনু
তাজনিংদে ফৎতবা পাওতাক
পাওতাকনা খুরোনরবা মতম'সিদা
বার্তোন ককপগী পাওতাক
তাজনিংদে
শাগৈ নাতৈ মরি তৎনবা
চংনদবগী পাওতাক
তাজনিংদে।

ISBN-978-984-33-8288-7

CamScanner